ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, জুলাই ৩০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১২৫শুবা মশীং

# কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অমা শিখিবা

## লাইচৎ অসিনা অঙাংশিংদা খ্বাইদগী চাউবা চৈথেং পীরগনি

মণিপুরদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমা লৈখিদ্রে। জুলাই ২২দগী রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সী কে দি), হায়পরটেন্সন অমসুং টাইপ-টু দাইবেটিস মেলাইটিসনা মরম ওইরগা লায়েংলকখিবা মীওই অদু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকখিবনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদগী মশাগী চহী ৫৬ লোম শুরবা মীওই অদু কিদনিগী লায়না লৈবা মরম্না হীমোদাইয়লাইসিস তৌরকখিবনি হায়রি। কোভিদ-১৯গী ফীভম নোংমা-নোংমগী লুশিল্লকপগা লোয়ননা রিকোভরিগী চাং ৱাংই হায়নরম্বা মণিপুরদা ফাওবা মী শিবা য়াওরক্লিবসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না লাইচৎ অসিনা মালেমদা পীরক্কদবা চৈথেংগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টরনেসনল চিলদ্রেন্স ইমর্জেন্সি ফন্দ (য়ুনিসেফ) না হায়, মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা চাবা ফংদবা মরম্না চহী ৫ শুদ্রিবা অঙাং মিলিয়ন কয়ামরুম খোঙখূৎ লাই চুবা অমসুং হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরক্লগনি। 'দি লেন্সেট' মেগাজিন্দা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমদা য়ুনিসেফকী ইগজেক্যুটিভ দিরেক্টর হেনরিটা ফেরেনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী কেস ইহান হান্না থেংনখিবা থা তরেৎ ফারক্লবা মতুংদা হৌজিক লাইচৎ অসিনা অঙাংশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরকপা হৌরে। ইমুং অয়াম্বা শেন্থোক হন্থরকপগা লোয়ননা চিঞ্জাক অমসুং তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম অয়াম্বা কা হেন্না মমল ৱাংখৎলক্লে, মীপূম খুদিংমক মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা চাবগী ৱাখল থাদোক্লগা নোংমগী অফং-অফংবা খরা চাদুনা পুক থন্নবা হোৎনরক্লে হায়রি। মীপূম খুদিংমক অফবা চিঞ্জাক চাবগী তঙাইফদবা লৈরগসু মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা পীজবা মথৌ তারিবসি পিক্লিবা অঙাংশিংদনি। তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা অঙাংশিংদা ভিটামিন, প্রোটিন, ফেট, কার্বোহাইদ্রেট অমসুং মিনরেল মচল শুবা চিঞ্জাক চাং নাইনা পীজবা তঙাইফদে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্লিঙৈদা মালেমগী ওইনা অঙাং মিলিয়ন ৪৭ লোম মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা য়ুনিসেফকী রিপোর্টনা হায়, খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা নীংথিনা চাবা-থকপা ফংদ্রবা অঙাং ১০,০০০ রোম থা খুদিংগী শিহল্লকপা য়াই।

হৌজিক-হৌজিকমকসু ইন্দিয়াগী মীওই অয়াম্বা নীংথিনা চাবা-থকপা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি। 'কন্সর্ন ৱর্ল্ডৱাইদ' কৌবা আইরিশ এইদ এজেন্সি অমসুং 'ৱেল্ট হঙ্গর হিলফে' কৌবা জর্মন ওর্গনাইজেসননা ফোঙলকপা 'গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্স'তা মালেমগী লৈবাক ১১৭কী মনুংদা ইন্দিয়ানা ১০২শুবদা লৈরি। য়ূমলোন্নরিবা নেপাল, পাকিষ্টান অমদি বাংলাদেশতগী ফাওবা ইন্দিয়ানা মফম হন্থনা লৈরে। গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্সকী ৱেবসাইটতা ফোঙলকপা বেলারস, য়ুক্রেন, টর্কি, ক্যুবা অমসুং কুৱেট য়াওনা লৈবাক ১৭না খ্বাইদগী মকোক ইথং-থংনা লৈরি। চহী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ফীভম য়েংলবা মতুংদা ফোঙলকপা ইন্দেক্সতা ইন্দিয়ানা মালেমগী লৈবাক ১১৭কী মনুংদা ১০২শুবদা লৈরবসু য়ূমলোন্নবা নেপালনা ৭৩; শ্রি লঙ্কানা ৬৬; বাংলাদেশনা ৮৮; ম্যান্মারনা ৬৯ অমসুং পাকিষ্টাননা ৯৪শুবদা লৈরি। অমরোমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অমসুং লোকদাউননা মরম ওইরগা লমদম অসিগী মীওই কয়াদা পূক্লিং-ৱাখলগী লায়না পোকহল্লক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। জি ও ক্যু আই আই কৌবা প্রিভেন্টিভ হেল্থক্যের প্লেটফোর্ম অমনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি হৌজিক হোরেন লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী ফীভম উরক্তবা অমসুং ইমুংগী শেন্থোক নোংমা-নোংমগী হন্থরকপা মরম্না মীওই কয়াদা পূক্লিং ৱাখলগী লায়না পোকহল্লকপনি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিনবমক নৎত্রগসু কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিবগী ৱাফম পূম্নমক্না ইখঙ-খঙনরবনি। নোংমা-নোংমগী ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলক্লিবসিগী চপ চাবা মরম খঙদোক্নবা হোৎনবদা থোইদোক্না অরুবা ওইগনি নীংদে। পুন্সিদা মায় পাকপা মীশক অমা ওইগে হায়রবদি মাঙজৌননা মায় পাকখ্রবা মীওইশিংগী মতৌ তম্বা তঙাইফদে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবগী মতাংদসু মাঙজৌননা খুমাঙ চাওশিনখ্রবা লৈবাকশিংগী মতৌ তম্বা তাবনি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইওং অসিনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা খ্বাইদগী চাউবা চৈথেং পীরক্লগনি হায়রিবসি তরাইনা লৌবা চুমদে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মিদিয়াগী ইচিল-ইনাওশিংবু পূক্লিং থৌগৎসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

হন্দক মরকসি ঈ-পাউগী লম্দা থবক তৌজরিবা মিদিয়াগী ইচিল-ইনাওশিংদা নুংঙাইরোইদবা খরা উজে, থেংনজে। নোংমা-নীনিগী মমাঙদা পাউচে অমগী হেদলাইনদা অশোয়বা অমা লৈখিবনা মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক পাখৎহল্লে, পাউ চুম্না ফোঙদে হায়দুনা ৱাকৎপগী মতাংদা ওদিও রেকোর্দিং অমা সোসল মিদিয়াদা ভাইরেল চৎহনখি। মসিমক্তি য়াম্না চুমদব্রা হায়না খঞে। মী খুদিংমক মাগী-মাগী অপাম্বা, অনীংবা মান্নদে। শোয়দবা ঙমদবা কনাবু লৈবগে, শোইনীংবা কনাসু য়াওরল্লোই। হোয় অমরোমদা নুমিৎতুগী পাউচে অদুগী হেদলাইন্দা শোয়খিবনা মীওই পূম্নমক্তা অকিবা ফাওহনখি হায়বসিমদি ককনীংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি। কোভিদ-১৯গী লায়না অসিদগী ইরমদমসিদা লৈখিদবগী পাউ তাদ্রিবনা অয়াম্বনা চেকশিন্নরমদবদু খরমখৈদি চেকশিন ফিরেপ লৌবীরমগনি। অদুবু লায়না অসিনা লৈখিদবা অদুদি মণিপুরদা ওইরমখিদে। পাউচেদা থেংনবা কুইদ্রিঙৈ ময়াম ঙাইহাক লৈরগা মদুগী মতাংদা অরানবা পাউনি হায়বগী ৱারী শানবগী ওদিও রেকোর্দিং অদুম ভাইরেল চৎখি। মসিসু ফৈ, মসিনা পাখৎনরম্বা মীয়াম্বু খজিক্তংদি নুংশা শ্বর হোন্দোকপীরমগনি।

অমরোমদা অমুক য়েংমীন্নরবদা ঈ-পাউগী লম্দা থবক তৌবীরিবা ইচিল-ইনাওশিংসু হৌজিক কোভিদ-১৯গী লুরবা তাঞ্জাসিদা থবক তৌরিবা অসিসু অরাইবা নত্তে। ঙসি ঐখোয়না য়ূমদা ফম্না-ফম্না ইরমদমসিদা অমদি মপান্দা থোক্লিবা ঈ-পাউ কয়া তারি, পূম্ন মকসি থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা থবক তৌবীরিবা মিদিয়াগী ইচিল-ইনাওশিংগী মপান্দগীনি। চাওখৎলকপগী মতিক মীওইবগী হৈ-শিংবসু হেঙ্গৎলক্তুনা মীয়ামদা, মালেম শিনবা থুংনা পাউ পীরিবা টি ভি চেনেল অমগী ফেসবুক পেজ শকখঙদবশিংনা হেক তৌদুনা মরী লৈনদবা ঈ-পাউ, ভিদিও ক্লিপ থাগৎতুনা মীংচৎ থীনবা হোৎনখি। মসিমক্তি তশেংনা লাল্লি, ঙাকপীফম থোক্তবা মরালনি। ঐখোয়বু মতম চূপ্পদা মতম-মতমগী ঈ-পাউ পীদুনা মীৎ-না শিংহল্লিবা ইচিল-ইনাওশিং অসিগী পূক্লিং হন্থগদবা অমদি মীংচৎ থীগদবা থবক ঐখোয় তৌরোইসি। মতম চূপ্পদা মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎমিন্নসি। করিগুম্বা মতমদা ঈ-পাউ মরীক চুম্না লৌবা নংদ্রিঙৈ নৎত্রগা পাউশিং অদুবু নল্লিবা মীগা ঈ-পাউ ফাওনহৌদবা নৎত্রগা কাউবদগী লান্না কোর্ট তৌখিবা ওইরম্বসু য়াই। মিদিয়াগী ইচিল-ইনাওশিংনা ফোঙবীরিবা পাউ অয়াম্বনা সোর্স অমদি ইভিদেন্স লৈরবা মতমদা ফোঙবীবা ওইরমগনি খঞে। য়ারিবমখৈ চেকশিন্না তৌবীরমগনি, করিগুম্বদা শোয়খিবা থোক্লবসু নোংঙাল্লগা শোয়খ্রে হায়দুনা শেংদোকপীরি। ইরমদমসিগী পোলিটিক্স অমদি কোভিদ-১৯গী লুরবা তাঞ্জাসিদা মিদিয়াগী ইচিল-ইনাওশিংনা ঐখোয়গীদমক অকিবা লৈতনা থবক তৌরকপদা ঐখোয় পূম্নমক্না মতেং পাংমিন্নসি। মতম চূপ্পদা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবশিংদগী হৌরগা লম্ অসিদা থবক তৌবিরিবশিংবু ইকায়খুম্নসি।

*অদোমগী : মাইবম সোমেন*
*লাংমৈথেৎ ময়ায় লৈকায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট*

# অঙাং ওইরিঙৈ মতম নীংশিংদুনা শান্নবা - ৩

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পুন্সি হায়বসে য়াম্না থুনা থুনা হোংঙি। খঙহৌদনা হোংঙি। ঙরাং ওইরম্বদু ঙসি অনৌবা পুন্সিগী মহিং অমদা লাকই। অঙাং ওইরিঙৈগী মতমবু নীংশিংবা অসি নহানখৈ থোইনা মতম্বু ফংলুদবনি। হৌজিক্তি লোকদাউন লৈশিল্লকপা অদুগী মথক্তা চহীনা মরম ওইরগা থবক্তগী পোত্থারকপা মতম অসিদদি তৌফম খঙদদুনা মতম লেনবসিদা নম্লিং নীংশিংলকপা হায়দুনি। মসিসু নুংঙাইবা মখল অমনি। য়াম্না নোক্লিংলম্বা মতম কয়া অদু লাম্থোকখ্রগা অৱাবগী মীহুনসু লেপ্পনা কাংলক্লি। অঙাং ওইরিঙৈগী ওইরকখিবা পুন্সি মহিং অদুগা হৌজিক্কী মতমদা ওইরিবা অঙাংশিং অসিগী পুন্সিগী মহিংগা অনী অসিদি য়াম্না খেন্নে। মতমদুদদি হিংনবগী অচৌবা লান অমসু অঙাং ওইনা থেংনরকখিবনি। হায়সু হায়নি মতমদুগী খুন্নাইগী ফিভমগা হৌজিক্কসু য়াম্না খেন্নরে। মতমদুদা লৌ-উ শিংউ তৌনবগী লমসি য়াম্না পাক চাওনরম্মী। কুম অমগী লোকপা ফৌনা চহী চুপ্পা চান্নরম্মী। কনাগুম্বা খরদদি কুম অমনা চহী অনী অহুম চানবা য়াওরিবনি। অদুবু মদু তাইথোক তাইথোক্লগা অহেনবা শেনফম অমা য়াম্না তাশিন্নে। লৈতবা কাঙবু খরদনি অচৌবা চৈথেং ফংনরিবসি। মদুগী চৈথেং অদু ইশামক্তা চাউনা ফংখি। লমসু চাউবা, ফৌ চেঙসু মরাং কায়বা মতম অদুদা চেঙ চাক তাঙবগী অৱাবা অদু ঙসিগী মীরোল অসিনা খঙবা নৎত্রে। হৌজিক লৌ উনবা মফম অয়াম্বা লৈরক্ত্রবসু থোক্লিবা ফৌথোক অসিনা লৌ-শিং লৈজবশিংসু ফৌ লেম পানা শীজিন্নরি। লৈতবা কাঙবুসু ফৌ লৈতে হায়না খন্নদে। মরমদি মপান্দগী পুশিল্লকপা চেঙনা থোইনা অৱাৎপা লৈতবদৌনা তৌই। হরিয়ানা, পঞ্জাব, বিহার, রাজস্থানদা ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকং থোক্ত্রবদি মণিপুরদা লৈজরিবা লৌ-শিং লৈজদবা ঐখোয় কা হেন্না ৱাগনি হায়বা থাজদে। ঐখোয়না লাই খুরুম্মীসিদি, মীনা তারগদি নোংক্লিংলগনি, অশেংবদি অশেংবনি, মথক্তা ঐনা পঞ্জখ্রিবা কুম অমগী ফৌ য়াম্না থোকপা গেহু য়াম্না থারিবা, লৌউ-শিংউদা খুমাঙ চাওশিঞ্জরিবা মফমশিং অসিদা ঈকং থোক্তবা অমদি ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা ফৌথোক ময়েং তাহনবিদবা অসিনি।

কুমগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈসি মতমদুদা য়ওশং হায়বসিসু অমনি। য়াওশং হায়বসিদি য়াম্না নুংঙাইবা কুম্মৈ অমনি মণিপুরদা। লায়রবা ইনাক খুনবা থোইনা খায়দে। চপ মান্ননা শরুক য়ামিন্নে। য়াওশং নুমিৎ মঙানিদা অচাপোৎ চানবা ইমাদা শেল পীয়ু হায়বদা ইমনা পীনিংঙাই লৈতে। অদুবু লৈতে হায়দুনা পীদবদি তৌদে। নুমিৎ মঙানিদুদা চানবনি হায়দুনা লুপা অমা পী। লুপাদুনা য়াওশং মঙানি কোন্নবা শীজিন্নে। মতমদুদদি নয়া পৈশা তরাগী চানা কাংঙৌ লৈবদা অদুম ফজনা চাই। কোয়বা চৎপসি, ঐখোয় অঙাং খোঙ য়াওবশিং অসি ঐখোয়গী ইথক্কী ইরোল পাখংশিংনা পুই। মোয়না অবের খজিক্তং লৈরগা ঐখোয়বু খুতুম তাশিলহল্লগা খূৎকী উগদবা জগা খরদা অবেরদু ঙাংশং ঙাংনা তৈশিনবি। লম্বীদা লৈশাবীশিংনা শেল মুন্নবা হেক তৌরকপদা ঐখোয়না লৈশাবীশিংদুগী মনাক্তা চেনশিল্লি খূতুম তাশিল্লবা অবের তৈবদু উহল্লগা, মদুদা লৈশাবীশিংনা ৱা ৱা কায়দুনা "ইমা, ইমা" লাউদুনা চেল্লি। ঐখোয়না ফনা শাংনা তান্নে, মদুগী নুংঙাইবদুসু মতা অমনি। মতমদুদা পাখংশিং অদুসু ঐখোয়সু শেল মুনবদগী নাম্থোক্তুনা চেল্লকই। নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈনি য়াওশং। পুংকক চাউক্লবা মতম, থাবল চোঙবগা য়াম্না য়াওনিংলকপা মতমদুনি হেন্না নোংক্লিংলিবসিনা। মতমদুদা থাবল চোঙবসে, হৌজিক্কী ট্যুব লাইটশিং থানবা নত্তে। পেট্রোমেক্স, হাফলেম্প ময়াম অমা লম্পাক থন্নবা, মৈ অদুক কা হেন্না ঙান্নদে। লৈকাই অমগী থাবল চোঙদৌরি হায়বদা পাখংশিংনা লৈশাবী মখোয়গা খঙনবগী মীংদা পেট্রোমেক্স নৎত্রগা হাফলেম্প য়াম পাংনৈ। মদু পাখাংশিংদুনা পুরা পুরগা লাক্কনি। লোইরগসু মোয়না পুরগা হনখিদৌরিনি। থাও পীক পীক থন্না হাপ্লগা পুনরক্লিনি। থাবল চোঙলিঙৈ মরক্তা মেন্থল কায়বা, মৈ হৌবা য়াওই। মদুদা মাইক্তা লাউরিনি। থাওমৈ পাংনি হায়না পাংলগা য়াদবা পুরকইসি করিগীনো ? থাউমৈ মপুনা য়াম্না থুনা শেন্বীয়ু নৎত্রগদি থাওমৈসি থুগায়রনি গায়না, লৈকাইগী ভল্যুন্টিয়র ওইরিবা লৈকাইদগী হেন্দোক্তবা পাখাংশিংনা। মদু তাবদা মৈ পাংলিবা লৈকাইদুগী লৈশাবী খঙনরিবা পাখংদু লৈফম চাফম খঙবা নত্তে। ইকায়বনা মমায় ঙাংশং ঙাংশং ঙাংনরিবনি। কোইচেন চেন্দুনা মানা নেক্তুনা পুরকপা মৈ শেন্বা হৈবা মীদু থিরগা শেমনহল্লিবনি। নুংশিৎ তোয়না তোয়না হান্নরিবনি। করিগুম্বা মদুদা মৈদু য়াদবগা য়াওরদি মাগা খঙনরিবা লৈশাবীদুগা কায়নবগা য়াওরিবনি। মরমদি লৈশাবীদুসু মমান্নবী ময়াম মমাঙদা য়াদবা থাওমৈ পাংলকই হায়দুনা ইকায়নরিবনি। ইকায়মন্দুনা শাওনরগা কায়নবগা কোকথোং অমা য়াওরিবনি। মদুদা পাল্লিবা মাইক, বেন্দ-ধোন অয়াম্বা পাংনৈ। পাংনবা পাখং লৈজদবা লৈকাই ওইরগনা মীঙোন্দগী শেল খায়নরগা, মুল্লগা ৱানা থাবল শীল্লিবনি। শীন্দবদি তৌদে, লৈকাই পাল্লগা থাবল অমা শীনবা ঙমদে হায়না নোক্লগদগী শরুক লৈকাইকী অহল-লমন য়াওনা কোয়চেন চেন্দুনা শেল পুথোকপিরগা থাবল শীনবিরিবনি।

থাবলসিসু নুংঙাইখ্রবজাৎনিদা। থাবল চোঙফমদগী হাইদোক্লগা লৈরিবা পোৎফম ময়াম অদুদা পাফোর কোম্পাক অমগা লৈবা ঙম্বা পাখংদদি লাই মচাদৌনা খন্নে। পাফোরদু পুল্লপতা মতমদুদা লুপা মঙা/তরুক্তনি। ইহ! মতমদুদদি য়ামখ্রবা শেনফম্নি। অদুদগী হেন্দোক্তুনা নুমিদাং অহিংদুদা থাবলগী গট অমমম লোইবদা পোৎফমসি পুমচিন চিল্লি। পোৎফম ফম্বীশিংনসু লৈশাবীশিংদা গট য়াম্না তোয়না থাবিয়ু হায়না ৱানোম্নরিবনি, পোৎ শিংনবা, মতমদুদা চাকখুম মচা মচা লৈবাক্তা তৌরগা লৈরং শেমদুনা বোরা-কাংঙৌ, হৈঙান, কাবোক, শঙ্গোম মীথাই, মখল মখল য়োন্নে। অহিং অথেংবদুদা চোরফোন হৈঙানগা ময়াম অমা লৈরগা লৈশাবীশিংনা খুবিগা খুদোম্বীগী চপ্পা চপ্পগা মমায় থাংগৎলগা হৈঙান্দু ময়াদা হুকচিনবদা শিনবনা শুগত্তুনা চাবগদু উবদা নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈ মখল অমনি কৈনো। ঙাওশিন্নবা পাখংশিংনা বান্দর বেড়ি হায়দনা য়োং য়েকপা বেড়ি থোক্লম্মী। মদু মপুন অমা লৈরগা পাখং ময়ামদুনা অমমম চম্মগা হৈবোই হৈতবোই থক্লগা মৈখু ৱা ৱাগা কাদনা মখৈ লাংনা থকপগদুদি য়েংবদা নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈনি। লায়রবা পাখং থাবল চোঙবা য়াদে হায়বা লৈতবনিনা ঐখোয়সু থাবল চোঙফম মফম খঙদোক্লগা অয়ুক নুংথিলদগী ঈৱাং শাগৎলিবনি। মতমদুদা খোঙ্গ্রাও হাফপেন্ট শেৎপা থাবল চোঙবা য়াওবা য়াদে, চহী শুদে হায়না ভল্যুন্টিয়রশিংনা চিংথোক চিংথোক্তুনা চৈ, য়ু ঙাওবা ভল্যুন্টিয়র য়াওরম্মদি লুখমদগা খূৎপাক্লা থারিবনি। ঐখোয়দি খোঙ্গ্রাও অশাংবা লৈতে, কমায় তৌনি। মতমদুদা কোলেজ কারফাও খোঙ্গ্রাও অশাংবা শেৎপসি ইকায়নৈ। কোলেজ কারদি য়ারে কৈনো হায়না হায়নরসু ইশামক্তি কোলেজ কারসু লোংপেন্ট শেৎপা ঙমদে, মতমদুদা লুপা ৭৫ চঙবা কোটনগী লোংপেন্ট অমদি তুরে, চেক শূবা চৎলগা, অদুবু শেৎপা ইকায়দুনা নুংদাং চাকচা তোক্লগা লৌবুক-লমহাংলোমদা ৱার্কিং চৎপা, নম্বর টু তৌবা ঐখোয় পরেংগী ময়াম চৎপদুদা ওইনা শেৎলি। অদুফাও ঐখোয়গী ইথক্কী অহলশিংনা উবদা, না-গা লৈরগা পাখং য়াম ফানিংমাল্লেদা গায়না ফূরিবনি। হৌজিক্তা য়াম্না খেন্নরে। হৌজিক্তি হেক পোকপগা লোংপেন্ট শেৎনরে।

ঐখোয় তামোগী ফুরিৎ খোঙ্গ্রাওদু ঐখোয়না শূবী, ইষ্ট্রি তকপি, মাগী পাখোন ময়াম অমা তৌই। মদু মানা খোঙ্গ্রাও ৱায়হননি হায়বদগী তৌরিনি। খোঙ্গ্রাও অমা ৱায়হল্লে। মদু পুরগা ঐখোয় হাফপেন্ট শেৎপা নিপাননা থাবল মফমদা খরা মম্বা জগাদা হোং হোংদুনা শেলগৎগা থাবল রাওন্দ ১০/১০ চোঙনৈ, অতৈনা রাওন্দ মশীং থিরিবনি। ইমান্নবা অমদি লৈশাবী অমগী মখূৎ পায়রগা রাওন্দ ১০ হেন্না চোঙবদু থোরকউ য়াদ্রে, নুপীদু পায়রগা চোঙ লৈথোকখ্রে, ১১শুবা রাওন্দদা ঐখোয়না চিংথোক্লগা অম্মবদা পুশিল্লগা থীনা চৈবিরে অদুগা খোঙ্গ্রাওদু মুল্লগা অমনা অমুক শেৎলগা চোঙঙিবনি। য়াম নোংক্লিংখ্রবা থৌদৌনি। হৌজিক্কদি তাবদা য়াম্না ফৈজে চৎলম্মনি, মসি অশেংবা ঙাক্তনি। ঐখোয় মতমগী মীশিংদি লোইনা খঙলমগনি। থাবলসিদনা খৎনখ্রিবা মীসি মতা অমনি। মকোক থুগায়রম্মে, থাঙনা য়াল্লম্মে হায়বসি য়াম তোয়না তাই, অদুনা অহলশিংনা থাবল চোঙবা চৎপসি য়াম্না য়াদে। অদুনা ঐখোয়না থাবল চোঙবা চৎপসি, লাইরিক পাশিন্নরগা নুমিদাং পুং ১০গা তারকপা অদুৱাইদা লোন্না য়ূমদগী চাউকান চাউকান কাল্লগা থোক্নরকই। সাইকল লৈবা মীনা ময়ূমদগী সাইক মখোল থোক্তনবা থাংলগা পুথোরক্লগা শোরোক্তা ঐখোয়না খঙনবী হুইশেল অমা খোংগনি। মদুদা মরী মরী থোক্নরক্লগা লোন্না চৎলিবনিদা। য়াম্না ঝন-জা চঙখ্রবা অমদি হুরান লোন্নাগী থাবল খূৎচোংনি। হল্লকপদনা অমুক তুমিন্না হঞ্জিল্লক্লিবনি। অহিং মপান থোক্তুবা শারগা চঙলক্লিবনি। ফি হোংলগদি খঙখ্রগনি হায়দুনা ফমুংদা তূমশিল্লিনি, নোংঙাল্লমদাইদা ঙন্তানা হোংলিবনি।

য়াম্না লৈখ্রে, অঙাং ওইরিঙৈ ৱারীসি। সুম নীংশিং নীংশিংদুনা শান্নরগা মখা তানা ইজরকখিগে। অদুবু মথং থাসিমদি ঐগী মমাঙঙৈগীদগী হৌনা অথৌবা ইপা ইপুশিংদা পাওদমজবা ইপুদা ইজবা চিঠি হায়দুগী সেরিজ অমা থা অমা চুপ্পা লৈজগনি। মদু লোইরবা মতুংদা মখা চথজরক্কে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১২৭

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওক্টোবর ৩০, ২০০৯ :** খ্বাইরম্বন্দ বজারদা জুলাই ২৩দা থোকখিবা ফেক ইনকাউন্টরনি হায়বা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীরোনবী রবিনা অমসুং সঞ্জিৎকী জে এ সী অনী অমসুং অপূনবা লূপকা অহানবা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কা ৱারী শানখ্রে।

অপূনবা লূপকী মীওইশিং, জে এ সী অনী, এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনা ৱারী শানবা অদুদা শরুক য়াখি। ৱারী শানবা অদু নুংথিল পুং ১.১৫ রোমদগী হৌবা অদুনা পুং ৩.৫০ রোম তাবা ফাওবা চথখি। ষ্টেটকী মায়কৈদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা কেবিনেট মিনিষ্টর খরা, চীফ সেক্রেটরি অমসুং কম্মিস্নার হোম য়াওখি। মায়কৈ অনীমক্তা মীওই ১৪/১৪না শরুক য়ান্নখি।

সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটিগী মীহুৎ মরিসু য়াওখি। মখোয়না নাকল অনীমক্কী মীওইশিং অসি ৱারী শানবা কন্না হোৎনখিবনি।

ৱারী শানরগা থোরকপদা এদভোকেট খাইদেম মনি, সেনিয়র সিটিজন ফোর সোসাইটিগী মেম্বরনা মিদিয়াগী মীওইশিংদা হায়খিবদা নাকল অনীমক্না য়াম্না মমুৎ তানা ৱারী শানখি হায়। মহাক্না হায়খি, ফনা কুইনা মুক্নরবা মতুংদা ৱারী শানবসি শোয়দনা য়ানবা অমা পুরকপা য়াই।

নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবদা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা মীফমদা অপূনবা লূপকী কোওর্দিনেটর ফুনিন্দ্রো কোন্সমনা হায়খিবদা অপূনবা লূপনা অহানবদা দিমান্দ অহুম তৌখি। মখোয় অদুদি খ্বাইরম্বন্দ বজার থৌদোক্তা চেন্নবা পুলিস কম্মান্দোশিং অদু মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি, অচুম্বা লোৎশিন্দুনা মরাল লৈবা মীওইশিংবু কন্নবা হোৎনরিবা পুলিস ওফিসরশিংবুসু দন্দি পীগদবনি অমসুং চীফ মিনিষ্টরসু ফম থাদোক্কদবনি।

অদুবু এজিটেসন অসি কন্না চঙশিল্লকপা অসিদগী লৈঙাক্না ঈরাংসি লাকশিন্নবা ওৎ-নৈবগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। অপূনবা লূপকী ভল্যুন্টিয়রশিংবু এন এস এ পান্দুনা ফাবা-খোৎপা তৌরি। অদুনা লূপ অসিনা অতোপ্পা দিমান্দ অহুম অমগসু তৌখি। ফাখিবশিং অদু ৱারী শানবা হৌদ্রিঙৈদা থাদোক্লবগীনি, অপূনবা লূপকী মখাদা লৈবা ওর্গনাইজেসনশিংদগী মীওই ১৪ অসি খনবনি, ষ্টিয়ারিং কম্মিটি অমসু শেম্লে হায়।

ফুনিন্দ্রোনা মখা তানা হায় মদুদি, লূপকী ষ্টিয়ারিং কম্মিটিনা দিমান্দ ৯ থমখি। দিমান্দশিং অদুদি চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকপা, ফেক এনকাউন্টর অসি তুংদা অমুক থোকহল্লরোই হায়না থাজবা পীবা, জুলাই ২৩গী থৌদোক্তা চেন্নবা পুলিস পর্সনেলশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবা, অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিবু য়েংশিল্লিবা পুলিস ওফিসরশিং অদুবুসু মতিক চাবা চৈরাক পীবা, ঈরাংগা মরী লৈননা ফাখিবশিং থাদোকপা, পুলিসনা ফাগৎখিবা মরী লৈনবা চে-চাং খুদিংমক মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসন্দা শিন্নবা, শোকপা-পনবা মীওইশিংদা শেলগী মতেং লৈঙাক্না পাংবা, ষ্টেট টেররিজম তোকহনবা অমসুং অফস্পা লৌথোকপনি।

ফুনিন্দ্রোনা হায়, তাল্লিবা দিমান্দ মাপনসিগী মনুংদা খরদি লৈঙাক্না শোয়দনা পীগে অদুগা খরনা খন্নখিগে হায়রে। ৱারী শানবগী ফলদু মীয়ামগা অমুক খন্ন-নৈনগনি, অদুগা অমুক লৈঙাক্না ৱারী মখা তানা শানগনি। ৱারী শানবতা ঙাইহিবনা করি য়ানরবগে, করি য়ানদবনো হায়বা খঙবা ঙমদে। অদুবু এজিটেসন অমদি ক্লাস বোইকোট তৌবসু মখা চথখিগনি।

অতোপ্পা পাউগী লিখুন অমনদি কেবিনেট মিনিষ্টর খরনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগী ফম থাদোকউ হায়বদু হায়দনবা হায়খি হায়। অদুবু অপূনবা লূপনা মদু য়াগদ্রা হায়বদি খঙদে।

লৈঙাক্না দিমান্দ খরদি পীরগে হায়রে হায়রি, মদুদি অপূনবা লূপকী ভল্যুন্টিয়রশিং ফাখিবদু থাদোকপা, ষ্টেট টেররিজম তৌহন্দবা, পুলিসনা ফাগৎপা চে-চাংশিং অদু মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসনশিংদা শিন্নবা, অশোকপশিংদা লৈঙাক্না শেলগী মতেং পীবা, ফেক এনকাউন্টর অমুক হন্না থোকহল্লরোই হায়বগী থাজবা পীবা অসিনি।

চেন্নবা পুলিস পর্সনেলশিংবু চৈরাক পীবগী মতাংদদি গভর্ণমেন্টনা হায়রিবনা হৌজিক জুদিসিয়েল ইনক্বারি চথরিবা অসি লোইরগা পাঙথোক্কনি হায়বনি। অতৈ দিমান্দশিং খরসু খন্নগনি হায়।

**নবেম্বর ০১, ২০০৯ :** অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক অনীদা মীওই ৮ হাৎখ্রে। মীওইশিং অদুগী মনুংদা অনীদি লালহৌবা কাঙবুনা ফাখিবনি হায়না ইমুংগী মীওইশিংনা ৱাকৎপা লৈখিবনি। মীওই তরেৎ অমদি ২৮-শুবা অসাম রাসফলসনা নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবা অদুৱাইদা অন্দ্রো সনাপাৎ, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমদা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। অদুগা অতোপ্পা অমা অদুনা ২৯শুবা অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ন্যু লাইতেনদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ মুক তাবদা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা হায়রিবনা অন্দ্রো সনাপাৎতা মীওই তরেৎ হাৎখিবা অদু কাপ্নবদা হাৎপনি, লালহৌবা খরদি নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি। এ কে ৪৭ রাইফলস (ফোলদেদ বট) ২, এ কে ৪৭ (মেগজিন) ২, ৭.৬২ এম এম পিষ্টল ৩ অমসুং মেগজিন, মিটর ৯ শাংবা দিটোনেটর নচিংবা পোৎলম কয়া হাৎলিবা লালহৌবশিংদগী ফংখি হায়।

চেরোলদুনা মখা তানা হায় মদুদি অশিবা মশাশিং অমসুং ফাগৎলকপা পোৎলমশিং অদু য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্দা ঙসি অয়ূক পুং ৫ তাবদা শিন্নখ্রে হায়। অদুবু পুলিসতগী ফংবা পাউদদি এ আরনা ফাখিবা পোৎশিংগী লিষ্টতমক শিন্নবনি, পুলিসনা লিষ্ট অদু লৌখিদে। হাৎখিবা তরেৎকী মনুংদা অনীদি মশক খঙবা ঙল্লে, মখোয়দুদি ওক্টোবর ২২দা লালহৌবশিংনা ফাখিবদুনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইশিখা ময়ায় লৈকায়দগী ওইনাম আনন্দ এলিয়জ গিরানি (২১) অপোকপা য়াইমা অমসুং ওইনাম মাইপাকসনা এলিয়জ পাকপা (২৩) অপোকপা দিমোনি। খুঙ্গংশিংগী মীওইশিংনা ওক্টোবর ৩০দা তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়দুনা সিট-ইন-প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। ফাখিবা মতমদদি অচম্বা ফিজোল শেৎখিবনি অদুবু শিরগা লৈরম্বা মতমদদি কোমবেৎকী ফিজোল শেৎলমখি। শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা হাৎখিবনি হায়দুনা ইমুং-মনুংনা হকচাং অদু লৌ য়াদবনা রিমসকী মীরেলশঙদা লৈরি। ২৯শুবা অসাম রাইফলসনা হাৎখিবা ন্যু লাইতেন খুন্দগী মীওই অদুদা খূৎলায়গা কোন্ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে।

**নবেম্বর ০১, ২০০৯ :** ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী সিফাইশিংগী অপূনবা কাঙবুনা বিষ্ণুপুরগী সী দি পি ও এন মোধুবলা; শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়বু হাৎনবা হোৎনরম্বা নুপা অমা অমসুং নুপী অনী ফাখ্রে।

এ কে ঝলজিৎ এদ্দিসনল এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টনা হায়, ঙরাং অহিং কে সী পি (এম সী) না বিষ্ণুপুরগী সী দি পি ওবু হাৎনবা হোৎনরি হায়বা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোশিং অমসুং ৩৯শুবা অসাম রাইফলসকী সিফাইশিংগী অপূনবা টিমনা সী দি পি ওগী য়ূমগী অকোয়বদা কূপ্না শেন্নদুনা লৈরম্মী। নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা এক্টিভা হোন্দা অমদা মীওই অনী সী দি পি ওগী ময়ূমদা লাকখি। অদুবু মীওইশিং অদু সিকুরিটিগী মীওইশিংদগী নাম্থোক্তুনা চৎখি। মখোয়বু তান্নবদা এক্টিভা হোন্দা তোংদুনা লাকপা নহা অমা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবদা ফাখি । ফারবা অদুদগী নাইন এম এমগী মরূ ৬ য়াওবা পিষ্টল অমা ফংখি। ফারবা নহাদুগী মমিংনা লাইশ্রম বীরজিৎ এলিয়জ নাওবা, অপোকপা তোম্বা খোংজোম বজারদগীনি। মহাক চান্দিগড়দা টি দি সী সেকেন্দ য়র তল্লিবা মহৈরোয়নি।

এদ্দিসনেল এস পিনা হায়, মহাক হান্না প্রিপাক য়াওরম্বনি, কে সী পি (এম সী) গী অবে এলিয়জ রোমিলা ৱাবগাই তেরাপিশকনা সী দি পি ও হাৎলু লুপা লিশীং ৩০ গা কম্প্যুটর সেট অমগা পীগনি হায় হায়রি।

পুলিসনা হায়, মহাক ওক্টোবর ২৭তা থবক অদু পাঙথোক্নবা জেটফ্লাইট অমদা ইম্ফালদা থোরকপনি। কৈশাম্পাৎ লাইরেম্বী মমাঙদগী থাংজম বিজাতা (২৩) না মাবু উখি। কোংপাল খাইদেম লৈকায়দা লৈবা খাইদেম বিমোলা, মপুরোইবা সরত কৌবা অমগী ময়ূমদা লৈহল্লি। ক্বাকৈথেলদগী ইবেয়াইমা কৌবী নুপী অমনা লৈহন্নবা শিনবনি হায়রি। রিতা হায়বী নুপী অমনা খূৎলায়দু বিরজিৎতা ওক্টোবর ২৮দা শিন্নবনি হায়না এদ্দিসনল এস পিনা হায়। বিরজিৎনা হায়বদগী পুলিস কম্মান্দোশিংনা থাংজম বিজাতা অমসুং লাইশ্রম বিমোলাবু লৌখৎলুরে। সী দি পি ওবু হাৎনবা হোৎনবদা য়াওবা বিরজিৎকা চৎমিন্নবা নহাদুদি ফাদ্রি।

**নবেম্বর ০১, ২০০৯ :** এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনা মীয়াম্না লৈঙাক্কী অরোনবা থৌরাংদা থুদুনা জুলাই ২৩গী শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবা অসিগী মায়োক্তা চথরিবা ঈহৌ অসি লেপহন্নবা হোৎনদনবা হায়রি। মহৈরোয় লূপ অহুম অসিগী অপূনবা লূপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায় মদুদি মখোয়গী মতম কক্তবা ক্লাস বোইকোট তৌবগী খোঙজং অসি চথখিগনি। লৈঙাক্না অপূনবা লূপকা ৱারী শানবা অদুনা মখোয়গী দিমান্দ ফংবা লৈত্রি। লৈঙাক্না দিমান্দ খরা পীরগনি হায়রবসু ফংগদবা দিমান্দ য়াম্না ৱাৎলি। মীয়াম্না তাল্লিবা দাবীশিং পীদ্রবদি ক্লাস বোইকোট মখা চথখিগনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা মীওইশিংনা অপনবা পীদনবা হায়। অসিগুম্বা অপনবা পীবদগী পামদবা থৌদোক থোক্লক্লবদি মশাগী থৌদাং ওইজগনি হায়।

জুলাই ২৩ খ্বাইরম্বন্দ বজারদা থোকখিবা থৌদোক অদু শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবনি হায়বা মীয়াম্না খঙনবনি। শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবনি হায়বসি টেহলকা মেগাজিন্দা ফোঙখিবা ফোটোশিং অদুনা তাক্লবনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা মরাল লৈরবা কম্মান্দোশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক অমত্তা লৌখৎতে। প্রোব্লেম অদু সোল্ভ তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা লৈঙাকসিনা মীয়ামগী ঈহৌ অসিবু নমথনবা অরোনবা থৌশিল কয়া থৌরাংলি।

মণিপুর লৈঙাক্না ইনশিনবা মহৈরোয় ওর্গনাইজেসন অমনা পব্লিক মীটিং অমা নবেম্বর ২দা তৌগদৌরিবা অসিনা মহৈরোয়গী লূপ অহুম অসিবু মখোয়না তাল্লিবা দাবীশিং থাদোকহনবা ওইথোক্লোই। এদ্যুকেসনবু ফ্রী জোন ওইবা পাল্লবদি মখোয়না জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী প্রিন্সিপাল করাম মনিমোহনবু করিগী ফুরিবনো হায়না হংলি।

চেরোল অদুনা হায়, মহৈরোয় লূপ খরনা ক্লাস বোইকোট তৌবগী খোঙজং য়ানীংদে হায়দুনা তৌরিবসি হান্না মহৈরোয় ওর্গনাইজেসন অহুমসিগা করিগী তানরমদবনো হায়রি। গর্জিয়ানশিং, ওজাশিং অমসুং অখঙ অহৈশিংনা থবক লৌখৎত্রিঙৈদা হান্না খন্নবা হায়রি। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জাসিদা স্কুলগী ফাউন্দরশিংনসু হৈশিংনা থবক পায়খৎপীনবা হায়রি। নৎত্রগদি মখোয় মীয়ামগী অশাওবা মায়োক্লগনি হায়। চেরোলদুনা অহল-লমনশিং, মমা-মপাশিং, ওজাশিং, মহৈরোয়শিং, ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিংনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং অসিগী সোল্যুসন পুরক্নবা মরু ওইবা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।